**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 06-03-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) য়াওশঙ কুম্হৈ অসিদা নুপী অমসুং অঙাংশিংগী মথক্তা হিংশাগী থৌদোকশিং থোকহন্দনবগী পান্দমদা মণিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা এৱারনেস প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকখ্রে।

২) উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণন নুমিৎ হুমিগী অৱাং নোংপোক রাজ্য অহুমগী খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি।

অমসুং

৩) লৌউ শিংউ অমদি অওনবা খুঙ্গং অমা পুরকপা হায়বা হিরমদা ঙসি পাঙথোক্কদবা ৱেবিনারদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি শরুক য়াগনি।

------

পুলিস (এল)ঃ হৌজিক পাঙথোক্লিবা য়াওশঙ কুম্হৈ অসিদা ন্পী অমসুং অঙাংশিংগী মথক্তা হিংশাগী থৌদোকশিং থোকহন্দনবগী পান্দমদা মণিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কোন্থৌজম মখা লৈকাই অমসুং লমশ্বোই খোঙনাংখোঙদা এৱারনেস প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকখ্রে।

প্লে ৱিথ কলরস, নোট ৱিথ লাইভস- রেস্পেক্ট ৱিমেন, প্রোটেক্ট চিলড্রেন হায়বা হিরমদা পাঙথোকপা এৱারনেস প্রোগ্রাম অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট ৱিমেন পুলিস ষ্টেসন অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী এন্তি হ্যুমেন ট্রাফিক্কিং য়ুনিত অনিনা মপুং ওইবা থৌদোং লৌদুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা মীয়ামদা নুপী

অমসুং অঙাংশিংগী মথক্তা থোকপা হিংশাগী থৌদোকশিংগী মতাংদা পাউদমখি অমসুং মশানা মশাবু ঙাকথোকচনবা চেকশিন থৌরাংশিংসু তাকপী তন্বীখি।

অমরোমদা, হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা য়ু.পি.পি.কেগী মশানা মশাবু কেপ্তেননি হায়জবা বিষ্ণুপুর জিলাগী ঙাংখা লৱাং অৱাং লৈকাইদগী মীওই অমা ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দোগী মিনুথোং ওফিসতা চংজরকখ্রে হায়রি।

সেনাপতি (এল)ঃ মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎ সেনাপতি জিলাদসু পাঙথোক্কনি। নুমিৎ অসি মেরা য়ুবা ভারত সেনাপতি, দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস ওফিস অনিনা খুৎশমরগা পাঙথোক্কনি।

পালন থৌরম অসিগী মতাংদা ঙরাং সেনাপতি জিলাগী মেরা য়ুবা ভারত সেনাপতি ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস ওফিস সেনাপতিগী য়ুথ ওফিসার জোন লোংখায়েনা হায়- চহি অসিগী মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎ সেনাপতি জিলাগী এষ্ট্রোর্টর্ফতা পাঙথোক্কনি। কেন্দ সরকারগী এচিভিং স্পোর্টস মাইলষ্টোন বাই ইনপায়ারিং ৱিমেন থ্রু এক্সন (অসমিতা)গী মখাদা নুপীশিংগী ওইবা অখন্নবা শান্ন-খোৎনবগী থৌরমশিং পাঙথোক্কনি।

ভিপি ঃ উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণন নুমিৎ হুমিগী অৱাং নোংপোক রাজ্য অহুমগী খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি। ডপ-রাষ্ট্রপতিনা ঙসি নাগালেন্দগী লুমানিদা লৈবা নাগালেন্দ য়ুনিভর্সিতিগী ৮ শুবা কনভোকেসন থৌরমদা শরুক য়াগনি। থাংজ নুমিৎতা উপ-রাষ্ট্রপতিনা মিজোরমগী আইজোলদা পাঙথোকপা মিজোরম য়ুনিভর্সিতিগী ২০ শুবা কনভোকেসন থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইগনি। খোঙচৎ অসিগী অরোইবা নুমিৎ নোংমাইজিং নুমিৎতা ত্রিপুরাগী আগরতালাদা লৈবা ত্রিপুরা য়ুনিভর্সিতিগী ১৪ সুবা কনভোকেসন থৌরমদা শরুক য়াগনি। মসিগী তুংদা শ্রী রাধাকৃষ্ণননা হপানিদা লৈবা ইন্তরনেসনেল ত্রেদ এন্দ ফিয়ার সেন্তরদা লাকপতি দিদিস অমসুং সেল্ফ হেল্প গ্রুপকী নুপীশিংগা হকথেংননা উন্নগনি।

এনসিবি (এল)ঃ নার্কোতিক্স কন্ট্রোল ব্যুরো অমসুং মিজোরমগী এক্সাইজ এন্দ নার্কোতিক্স বিভাগনা ভারত অমসুং ম্যান্মারগী ঙমখৈ পরিংদা চথখিবা তোঙান তোঙানবা ওপরেসন অহুমদা মেথাম ফিতামিন কিলোগ্রাম ৩৬ মখায়রোম অমসুং হিরোইন গ্রাম ৯০০ হেনবা ফাগৎপা ঙমলে। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অসি মালেমগী কৈথেলদা লুপা কোতি ৩১ রোমগী ওইগনি। ওপরেসন অসিদা ম্যান্মার মচা অমা পুন্না মীওই মরি ফাগৎলে হায়রি।

আইএ ঃ ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী ফাইতর জেট সুখোই-থার্তি এম.কে.আই অমা ঙরাং কর্বি অংলোংদা কায়খ্রে। ফেইটর জেট অসি অসামগী জোরহাৎতগী পাইখৎখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরকপনি। ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা ইকোন কোনবা ওইনা নুমিদাংগী পুং ৭ মিনিত ৪২ ফাওবা পাউ ফাওনরমখি। হৌজিক মফম অদুদা থিবা হুম্বগী থবক চথরি।

ৱেবিনার ঃ সংসদকী বজেৎ মীফম মতুংদা লৌউ শিংউ অমদি অওনবা খুঙ্গং অমা পুরকপা হায়বা হিরমদা ঙসি পাঙথোক্কদবা ৱেবিনারদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি শরুক য়াগনি। হিরম অসিগী মখাদা তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিং মরুওইনা লৌউ শিংউ, ফিসরিজ, দেরি অমসুং এনিমেল হজবেন্দরি য়াওনা ৱেবিনারশিং পাঙথোকখ্রে। হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ৱেবিনার অসিদা মরুওইনা লৌউ শিংউগী পোত্থোকশিং হেন্না মরাং কায়না পুথোকপগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া খন্নগনি। মসিগা লোয়ননা এনিমেল হজবেন্দরিগী লমদা প্রাইভেট সেক্তর অমদি ওন্তরপ্রেন্যুরশিংনা শেল থাদননবা ৱাফম কয়াসু পুথোক্কনি অমদি ফিসরিজ অমসুং খুঙ্গংগী নুপীশিংগী শেনমিৎলোন ফগৎহন্নবা সি-মার্ট য়াওনা থৌরাং কয়াগী মতাংদসু খন্নগনি।

দাইলোগ ঃ ১১ শুবা রাইসিনা দাইলোগ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ফিনলেন্দগী রাষ্ট্রপতি আলেকজেন্দর ষ্টবনা হায়- গ্লোবেল সাউথনা মালেমগী মরাইবক লেপ্পা ঙম্লগনি। মসিদা ভারতনা মরুওইবা থৌদাং

লৌরক্কদৌরি। ঙসিগী গ্লোবেল সাউথতা য়াওরিবা লৈবাকশিংনা মখোয়গী শেনমিৎলোন অমসুং মীশিং হেনগৎলকপনা খুদোংচাবা কয়া পীরগনি। হৌখিবা মতমদা নোংচুপ লৈবাকশিংনা মালেমবু খুদুম চনদুনা থল্লম্বগী মতম লোইরে।

রাইসিনা দাইলোগ অসিদা মালেমগী লৈবাক ১১০ গী লুচিংবশিং য়াওনা পুন্না মীওই লিশিং ২,৭০০ লোম শরুক য়ারি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী অনৌবা রাজ্যপালশিং হাপখ্রে। হিমাচল প্রদেশকী রাজ্যপাল শিব প্রতাপ সুক্লানা তেলঙ্গনাগী রাজ্যপাল ওইরগনি।

তেলঙ্গনাগী রাজ্য জিস্নুদেব বরমা, মহারাষ্ট্রগী রাজ্যপাল ওইরগনি। বিহারগী হান্নগী বিধান সভা অধ্যক্ষ নন্দিকিশ্বর যাদবনা নাগালেন্দগী রাজ্যপাল, থবক্তগী পোত্থারবা লেফটনেন্ট জেনেরেল সয়িদ অতা হসনাইন্না বিহারগী রাজ্যপাল, তামিলনাদুগী আর.এন. রবিনা নোংচুপ বেঙ্গলগী, কেরলাগী রাজেন্দ্র বিশ্বানাথ আরলেকরনা তামিলনাদুগী রাজ্যপাল ওইরগনি। রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা নোংচুপ বেঙ্গলগী রাজ্যপাল ডাঃ সি.বি. আনন্দ বোসকী রেজিগনেসনগী অয়াবা পীখ্রে। লদাখগী উপ-রাজ্যপাল কবিন্দ্র গুপ্ত হিমাচল প্রদেশকী রাজ্যপাল ওইরগনি। দিল্লিগী উপ-রাজ্যপাল বিনয় কুমার সক্সেনা লদাখকী উপ-রাজ্যপাল ওইনা হাপলে। হান্নগী দিপ্লোমেট তরনজিৎ সিংহ সন্ধুনা দিল্লিগী উপ-রাজ্যপাল ওইরগনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং ফ্রান্সকী রাষ্ট্রপতি ইমানুএল মেক্রোনগা ৱারী শান্নখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়া পোষ্ট অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- লুচিংবা অনিনা মরুওইনা নোংচুপ এসিয়াগী ওইরক্লিবা তংদু লৈতাদবগী ফিভমগী মতাংদা কুপা ৱারী শান্নখি। মহাকা হায়- নোংচুপ এসিয়াগী ওইরিবা ফিভম অসি মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিল্লকবা পুন্না ফম্মিন্দুনা ৱারী শান্নবগী তঙাইফদবা লৈ। লোয়ননা হৌজিক ইরাং থোক্লিবা লৈবাক অনিনা শান্তি পুরকবা অমদি য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা অকায়বা থোক্তনবা নিংথিনা খন্থবা চংই।

ছাতিসগর ঃ ছত্তিসগরগী দান্তেৱারা অমসুং বিজাপুর জিলাগী লোন্নবা উমংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা মাওইষ্টশিংগা খুৎ থোকবগী থৌদোক্তা মাওইষ্টকী মকোক থোংবা মীওই অমা শিরে। মীওই অসি লুপা লাখ ৫ গী মনা লাউথোকখ্রবনি হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়- গুলমলনার, গ্রিসাপারা অমসুং নেলগোরাগী মফমশিংদা মাওইষ্টশিং লৈরে হায়বগী অককবা পাউ ফংবদগী থিবা হুন্বগী থবক চখুবদা থৌদোক অদু থোকখিবনি। মাওইষ্টশিংনা সেক্যুরিতি ফোর্সনা নোমৈ কাপশিল্লকখি। মদুদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা হন্দুনা কাপ্পদা মীওই অদু শিখিবনি।

ক্রিকেট ঃ আই.সি.সি মেন্স টি-ত্বেন্তি ৱার্ল্ড কপ ২০২৬ কী ফাইনেলদা ভারত অমসুং নিউজিলেন্দ থেংনরগনি। ঙরাং মুম্বাইগী ৱাংখরে ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অনিসুবা সেমি ফাইনেলদা ভারতনা ইংলেন্দবু রন ৭ তা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংবা ঙমখিবনি। অহানবা বেত্তিং তৌবদা ভারতনা অপিবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৭ তুরগাা রন ২৫৩ লৌবা ঙমখি। মসিগী পাউখুম ওইনা ইংলেন্দনা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ২৪৬ খক্তমক লৌবা ঙমখিবনি। মেটচ অসিদা বোল ৪২ দা রন ৮৯ লৌবা ঙমখিবা ভারতকী শঞ্জু সামসন্না প্লেয়ার ওফ দ মেটচ তাখি।

ফাইনেল মেটচ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা অহমেদবাদকী নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা নুমিদাং পুং ৭ তা শান্নগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

য়াওশঙ কুম্মৈগা মরী লৈননা প্রেস ছুতি ওইখিবদগী ইম্ফালদা ফোংবা পাউচেশিং ফোংনদ্রে। চীংগী জিলাশিংদা ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ খরা লৌখৎচরি।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিউ মেলদা- এন.আই.এ কোর্টনা য়ু.এ.পি.এ কেস অমগী মতাংদা ফাখিবা মার্ক হাওকিপ বেল পীখ্রে অমসুং ইন্তরনেসনেল

ৱিমেন্স ডে হয়েং তমেংলোং জিলাদা পাঙথোক্লুগনি হায়বা পাউশিংনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোং জিলাগী এপোলো বজারদগী খৌপীলৌ লৈকাই ফাওবা রিজিদ পেভমেন্ট রোড শেন্বা হৌরে হায়বা পাউ অসিনা তমেংলোং টাইমসকী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি। ইরান্না ইজরেলদা মিসাইল এটেক ১৯ রোম চথখ্রে হায়বা পাউসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নেসনেল হাইৱে-টুদা এম.কে.এসনা কৌরম্বা বন্দ মতম খরগী ওইনা কোমথোক্লে অমসুং ইন্তরনেসনেল ৱিমেন্স ডেগা মরী লৈননা পাউগী মীফম পাঙথোকখ্রে, সেনাপতি জিলাগী নুপীশিংনা থৌরম অসিদা শরুক য়াবীনবা আপীল তৌরক্লিবা হায়বা পাউনা সেনাপতিদা ফোংবা পাউচে হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা অমসুং অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

------